থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

চীং-লম্বী, থম্মোয়-লম্বী চপ মান্ননা নালহনসি

থা অহুম ফাজিল্লক্লবা, বি জে পিগী নোংথোম্বম বিরেন’না লুচিংবা লৈঙাক অসিগী এচিবমেন্ট হায়গদ্রা মীয়ামদা পীবা মশক নাইবা খূদোল অদু করিনো হায়না হেক হংজিল্লবদি, পাউখুম পীবা ঙমখিরোই। ঙনমল্লি। অদুবু, থা অহুম অসিদা মখোয়না তৌনি লাউথোকখিবা, পাঙথোকখিবা প্রোগ্রামশিং অসি অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুবদা লায়না খঙবা ঙমগনি - করম থোক্লদৌরি? চপ চানা হায়বা ঙমদ্র’সু ’সিমদি শোয়দনা চুমগনি, মদুদি, মোদর্ন মণিপুর পোলিটিক্স’তা খ্বাইদগী ষ্টেবল ওইবা তাঙ্কক অমনি হায়নখিবা কুমজা ২০০২-২০১৭ (৮/৯ অমদি ১০শুবা বিধান সভা, খ্বাইদগী পৱরফুল ওইবা চীফ মিনিষ্টরনি হায়নখিবা ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক-মোদেল অদুদগীদি পূমতোং তোঙানবা লৈঙাক অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। মীয়াম্মনি হায়নখি - ওল্ড ৱাইন ইন ন্যু বোট্টল, কোংগ্রেসকী পোলিটিকেল কলচরদগী হৌরকপা, ৱাহোং মতূ উপ্পগা থোরকপা ক্বাক ঙাক্তেনি, করিমত্তা অহোংবা পুরক্লোই। মীয়াম হুপ্না খঙনরবা - ‘করপসন্না চাথৎখ্রবা লৈঙাক্কী য়ুম্বী মখোঙনি, করপ্টেদ ওইবা পোলিটিসিয়নমক্তনি, মখোয়বু করি তৌরক্কনি’ হায়বা ৱাখল অদুনি পূম্নমক্না খন্নখিবা।

ৱাখল-পোন’নুংদগী নাম্থোকপা ঙমদ্রিবা মীয়ামনি, ঙম্লোই কৈদৌনুংদসু। মরমদি, মখোয় মশামক্লা মমল লৌরগা থাদখিবা ভোটতুনা মখোয় এম এল এ/ মিনিষ্টর ওইখিবনি। ৱাখলসিনা মখোয়বু শোন্থহল্লি। ৱা ঙাঙবা ঙমহন্দে। মপু ওইনা লৈগদবা মখোয়না মীনাইগুম্না লৈরকই। শেল চাবা অমদি পীজবা, তৌফদবা অমনি - মপু-মনাই অনীমক্লা খল্লকই। মপু নত্তে মনাইনি, মালিক নত্তে সেবকনি ... ৱাখল তায়োন্নহনবা লুচিংবা অমা লৈঙাক ময়োন্দা থুংলখিবা, প্রধান মন্ত্রি নত্তে ‘প্রধান সেবক’নি হায়জবা, সাইরেন খোঙদুনা মচুগী মৈ থান্দুনা ভি আই পি ওইনা মীয়াম-মীহুৎনা চৎপা য়ারোই হায়বা ‘প্রাইম-সর্ভেন্ট’ অমগী মীৎয়েং মখাদা থবক পায়বা ওইবনা হান্নগী লৈঙাক-থৌওং-হৈনবী য়ারোই হায়বা খঙ’মাল্লে অনৌবা থৌরাঙ য়াৎলকই, পোরম পোমিৎ হোংলকই।

অনৌবা থৌরাঙ থৌশিল ময়ামসিগী মনূংদা, মীয়ামগী থম্মোয় খোনবা থৌশিলসি করপসন মূথৎনবা হোৎনবা অমদি লাপথোক্লরুরবা/লাপথোক্ল বগুম তৌরুরবা চীংমী-তম্মী অনীগী মরী অমুক নৌনা শাগৎনবা হোৎনরকপা অনীসিনি হায়নিংই। থৌশিল অসি মায় পাকপা পাক্তবা, মতম্না কোন্না তাকচরক্কদবনি। থম্মোয় শেংনা হোৎনবা অমদি উরিদনা। মসিনি মরু ওইরিবা। হৌখিবা চহী খরসিদা থোকখ্রিবা থৌদোক ময়াম নীংশিলগা মণিপুরগী সী এম (অদুসু মৈতৈ মচা) অমবু উঙ্খুল অমদি সেনাপতিদা তরাম্না ওকখিবা মওংদু কনানসু আশা তৌখিদবনি। তরাশুবা এসেমব্লিগী চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি সী এম অমদি অতৈ কেবিনেট কল্লিগশিং হেলিকোপ্টরদগী কূমথহনখিদবা হাক্তক্তা, অতৈ মীতৈ মচাশিংদদি খঙদে - ঐগী থম্মোয়দা ফাওখিবা ৱাখল, শাওনিংবা - পেন্দবা অনী য়ানশিন্নরবা, ৱাখলদুনা ঐবু অহীং কয়া ওৎখিবনি। অদুবু, ঙসিদি ৱাখল অদু তায়ওন্নরে। নীংশিংলুবদা ঈকায়বা পোক্লে।

মান্নি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলকপা থৌশিলশিংগী মনুংদা ঐনা খ্বাইদগী পেঞ্জবসি - চীং-তম অনী শম্নফম ওইবা থম্মোয়গী ওইবা থোং অমা শাননবা হোৎনরকপা অসিনি। কংলা’না ময়োন ওইবা মতম অমগী ‘কংলৈপাক’, মণিগী মশক ওইরবা মহৌশাগী পূক্কে-লনগৈনা লৈতেংবা ঙসিগীনা ‘মণিপুর’ - চীং-তম অনী পুল্লগা শেম্বনি। শাংখ্রবা পুৱারীনি ঙসিগী মীরোলনা কাউখ্রবা। কাউখ্রবা ৱারী নীংশিংহন্নবা, তৎখ্রবা মরী শমজিন্নবা ‘ইতিহাস’ হায়বা ‘সবজেক’ অসি অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী মথোৎ কারক মতমফাও’ শোয়ফদ্রবা অমা ওইহল্লম্মী। অদুবু, শোয়ফদনা শোয়খিবদি ঈশাগী ইতিহাস পাহন্দনা মীগী ইতিহাস পাহনখিবা অদুদগীনি। তম্পাক লমদম অমবু চীংলোন মাপলনা কোয়শিনবা মহৌশাগী শক্লোনবু মীতৈ অশৈবা খরনা শৈথা-ৱাহৈ শেম্বদা ‘চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা’ হায়না শেল্লবগীদমকসু মশকমুচুমাঙখিবনি। ইমোসনবু ঈকায় খুম্নবা, সেন্টিমেন্টল ওইবা আর্টিষ্টশিংনা হায়খি মতম চূপ্পদা - ‘পোলিটিকেল ওইবা এলিমেন্ট’তু পোলিটিক্সনা লৌথোক্লগা লোন অমদি কলচরনা ‘ইন্টিগ্রেটিং ফেক্টর’ ওইগদবনি।’

মোদিগী ‘পূক্লিংগী ৱা’দুনা মীয়ামগী থম্মোয় য়ৌরগা ইন্দিয়া মশক হোংহনবদা ইন্দিয়াগী মীয়াম য়াওহনবগুম, বিরেন’না থা খূদিংগী ১০ অমসুং ১৫ বু ‘চীংমীগী নুমিৎ’ অমদি ‘মীয়ামগী নুমিৎ’ লাউথোক্তুনা অশোন-অনা, অতোন-অতা ফাওবা চীফ মিনিষ্টর মশাগা মায়গা-মায়গা উন্নদুনা থম্মোয় ফাওদোকমিন্নবা - ’সিবু হেন্না চাউবা থোং, লৈতে অমা অতোপ্পা।’ অনীশুবা চীংমীশিংগী নুমিৎকী পাউদম ইবদা রিপোর্টরশিংনা হায়খিবদু মরৌ লৈবা কোচি-ৱা কনাগী চীন্না হায়রম্বগে? নুংঙাইবা লম্বীদা চৎনিংবা, অফবা ঈশিং থক্লিংবা, য়ুম্লে-কৈরৈ ফজবা চাউখৎপা লমগী মতৌদু চীংদসু মমিৎনা উজনিংবা ... থম্মোয়গী অপাম্বদু ঙাক্তেনি। লায়রবা লৌমী অমনা নিংথৌদা দাইরেক ৱাকৎচবা ফংবদা, থবক ওইবা/ওইদবা স্বর্গ লাম্বা ফংবগুম নুংঙাইজবা অদুনি মথম্মোয়দা ফাওখিবা। মদুদবু তাৎ য়াওরবা - লাইগী চৈরাক ফংগনি, মোদি ওইরো বিরেন ওইরো। শিরোই ফেষ্টিবেলগী মথোয় কারবা মূদ লম্পাক্কী লৈখোম্না কায়হনখিবদো - মথঙ চহীদা থোক্তনবা হৌজিক্তগী শেম শাবীহৌ। কৈথেল নংনবা শেমখিবা উঙ্খুল য়ৌবগী লম্বীদু নোংখরা লাকপসিদা ‘সর্বনাস’ অমুক শারে হায়। থম্মোয়গী লম্বী, চীংগী লম্বী - চপ মান্ননা নালহনসি। য়েংসি, কয়াম কুইনা লাপ্পবগে?

লৌশিং পুক্কে

হকচাংদা কান্নদবা অচাপোৎ চাবগী হৈনবী

RED BARON
Post
FRUITY PEBBLES
RISING CRUST
Minute Maid
FRENCH

মী মীওইবনা তন্থরকপা, ৱাখল ফাওবা নীংথিনা খনবা ঙল্লক্তবা মতমদা অথুম-অহাউ, ফাষ্ট ফুদ অমসুং হকচাংদা কান্নদবা অচোই-অপা অমা হেক্তা চানিংবা ফাওরকই। বৃটিশ রিছার্চরশিংনা হায়খি মদুদি দোপামিন কৌবা ব্রেনগী কেমিকেল অমা চাং হন্থরকপা মতমদা মীওইবনা চানিং-থক্লিংবা ফাওরকই। মরুওইনা য়াম্না তৌনিংদবা, বোরিং ওইবা থবক অমা পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা মীওইবনা চিপ, অথুম-অহাউ অমসুং ফাষ্ট ফুদকুম্বা হকচাংদা কান্নদবা অচাপোৎ হেক হেক চানিংবা পোক্লকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ সেন্ট্রেল লেনকেশায়রগী ডা. সেন্দি মাননা হায়খি, দোপামিন কৌবা ব্রেনদা য়াওবা কেমিকেল অমগী চাং হন্থরকপা মতমদা মীওই খুদিং ইতন-তন্থরকই অমসুং হৈনিংবা পোক্লক্তে। মতমদুদা ফেট অমসুং সুগর য়াওবা অচাপোৎ চাবদা দোপামিন ৱাংখৎলকপদগী ৱাখল নুংঙাইরকই।

ডা. সেনি মান, ফেয়ি ইবিটসন অমসুং বেন এদৱার্দসনা মীওইবগী ৱাখল তন্থরকপা অমদি চীঞ্জাক্কী মরক্তা লৈনবা মরীগী মতাংদা ষ্টদি অনী চথুখি। ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মীওই ৪৫ দা বোরিং ওইবা ভিদিও অমা য়েংহল্লম্মী। হকচাংদা কান্নবা মচি ওইবা চীঞ্জাক অমদি কান্নদবা অচাপোৎশিংসু নাকলদা থল্লম্মী। বোরিং ওইবা ভিদিও য়েংবা মীওইশিংনা হকচাংদা কান্নদবা অচাপোৎ চাবগী চাং ৱাংই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। ইশম শম্না হায়রবদা মীওইবনা ইতন তন্থরকপা মতমদা অফবা চীঞ্জাক চাবগী মহুৎ হকচাংদা থোইদোক্লা কান্নদবা অচাপোৎ ওইনা চানিংলকই। মসিগী মরুওইবা মরমদি দোপামিন কৌবা ব্রেনগী কেমিকেল অমা চাং হন্থরকপদগীনি হায়রি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি বৃটিশ সাইকো-লোজিকেল সোসাইটিগী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা চহীগী মীফমদা পুথোরকখিবনি।

অয়াম্বা মতমদা মীওইবনা অচোই -অপা চারিবসি হকচাংনা নোংমগী মথৌ তাবা কেলোরিদি হেলহন্দনা চাকচা মাঙদা অরাম্বা কোকহন্নবগীদমক্তনি। হকচাংদা কান্নগদবা অচোই-অপা চারগনা হকচাং ফৈ অমসুং হকচাংদা থোইদোক্লা কান্নরোইদবা ঙাইহাক্কী পূক থনগদবা অচাপোৎ চারগনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া ওইহল্লকই।

অরাম্বা কোকহন্নবগী নত্তবদা হৈনবী অমা ওইনা অচোই-অপা পংচাদা চাবা মীওইশিং অরুম্বা হেল্লকই। এন বি সি ন্যুজগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মীওইবনা মথৌ তাদ্রবসু অচোই-অপা পংচাদা চাবগী হৈনবী থম্বা মরম্না নুমীৎ খুদিংগী কেলোরি ৬০০ হেঞ্জিন্না চাশিল্লি। মতৌ অসুম্না কান্নদবদা কেলোরি হেঞ্জিন্না চাশিনবগা লোয়ননা হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপদগী মীওই অয়াম্বা নোয়থোরকই অমসুং হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকই।

ঐখোয়না চারিবা অচোই-অপা অয়াম্বদা কার্বোহাইদ্রেট অমসুং চিনিগী শরুক চাং ৱাংনা য়াওবগা লোয়ননা হকচাংদা কান্নবা মচল থোইদোক্লা য়াওদে। মতৌ অসুম্না কেলোরি য়াম্না য়াওবা অচাপোৎ হেঞ্জিন্না চাবদগী ঈদা য়াওবা ট্রাইগ্লাইসরাইদ অমসুং হায় দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন (ঐচ দি এল) ৱাংখৎলক্তুনা লায়না কয়া ওইহল্লকই। অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন (এ ঐচ এ)গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি মীওইবনা কান্নদবা অচোই-অচা তোয়না চাবদগী হকচাং লূম্বা অমসুং নোয়বা হেনগৎলক্তুনা হার্টকী লায়না ওইহল্লকই।

অমরোমদা, অচাপোৎ তোয়না চাবনা য়া পুমহল্লক্লবগী মরম ওইরকই। মীওইবনা অচাপোৎ তোয়না চাবা মতমদা বেক্টরিয়ানা থাদোরকপা এসিদনা য়াগী ইনামেল শোকহল্লি। মরুওইনা কার্বোহাইদ্রেটকী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাক চাবা মতমদা য়ারক্তা চঙহৌবা অচাপোৎনা মরম ওইরদুনা য়া শোকচিল্লকই। খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগীদমক অচোই-অপা হেক চাবগা ঈশিং অচম্বনা চীন-য়া তেংথোক্কদবনি। ঙল্লবদি শেংনা ব্রস তৌথোকপা কান্নগনি। অফবা চীঞ্জাক চাবা ফৈ হায়বা পুম্নমক্না খঙনরবসু চোকথরকপা, তন্থরকপা অমসুং ৱাখল চরাংনরকপা মতমদদি অথুম-অহাউ, ফাষ্ট ফুদ অমসুং হকচাংদা কান্নদবা অচোই-অপা হেক্তা চানিংলকই হায়রি।

বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা এগজামশিংদা মার্ক ৱাংনা ফঙলক্লবা মহৈরোয়শিংদা এৱার্দ পীখ্রে

3rd THONGAM ANGO... MEMORIAL ...
On 11th June ...
At Toa...
Comm...

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) অমসুং কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্ব এগজামদা মার্ক ৱাংনা পাস তৌরক্লবা অফবা মহৈরোয়শিংদা ৩ শুবা থোঙাম অঙৌবা সিংহ মেমোরিয়েল মেরিটোরিয়স এৱার্দ ২০১৭ পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে।

থোঙাম অঙৌবা সিংহ মেমোরিয়েল মেরিটোরিয়স ট্রষ্টনা শীল্লগা তাওবুংখোক মখা লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীবগী থৌরম অদুদা হেদ ক্বার্টর ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী ব্রিগেদিয়র জে বৈনসলানা চীফ গেষ্ট থোঙাম অঙৌবা সিংহ মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট থোঙাম ফুলচান্দনা প্রসিদেন্ট, ইনফোর্মেসন সেন্তর ফোর হিল এরিয়াজ মণিপুর (ইচম) গী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্র, আই এস টি ভি ন্যুজগী এদিটর ইন চীফ ব্রোজেন্দ্রো নিংঙোম্বা, দি আই সী ইম্ফাল ইষ্টকী জেনরেল মেনেজর এস ঐচ জানকী শর্মা অমসুং ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ শরাংথেমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবা থোঙাম অঙৌবগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। মেরিটোরিয়স এৱার্দ অদু চহী অসিগী বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফঙলক্লবা মহৈরোয় ৩৪, কোসেমনা লৌবা চহীঅসিগী ক্লাস টুৱেল্ব ইগজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফঙলক্লবা মহৈরোয় ১৭ অমসুং স্পেসল গ্রুপ ওইনা অফবা মহৈরোয় তরেৎতসু এৱার্দশিং পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা, মার্ক ৱাঙনা ফঙবগীদমক ঙসি পুক্লিং থৌগৎলিবা অসি মখা তানা হোৎনবগী থৌনা অদু মহৈরোয়শিংদা পীবনি। মহৈরোয়শিংনসু এৱার্দ ফঙলে হায়দুনা হোৎনবা লেপ্লোইদবনি। খুন্নাই অসিগী য়াইফননবা থৌদাং য়াবা ঙম্বা মীশক অমমম ওইনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

কন্সল্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :

য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুরনা শীন্দুনা ইন্দিপেন্দেন্ট পিপলস ট্রুথ কন্মিসন হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা কন্সল্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ক্লাসিক হোটেলগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কন্সল্টেসন প্রোগ্রাম অদুদা রিটয়ার্দ চীফ জষ্টিশ ছটিশগর হায় কোর্ট অমদি মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কন্মিসনগী হান্নগী চ্যেরপার্সন দল্লিয়ু এ শিশকনা চ্যের লৌখি। থৌরমদুদা মণিপুর বেপ্টিষ্ট কনভেন্সনগী প্রসিদেন্ট রেভ. ডা. হোলঙম হাওকিপ, ওল মণিপুর মুস্লিম ৱিমেন এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সিতারা বেগম অমদি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন কন্মিটি য়ু এন এম এম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কো-কনভিনর এন জীবনমালাসু দেজদা ফমখি।

কন্সল্টেসন অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সননা হায়খি, মণিপুরদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা লমদমসিগীদমক অমত্ত ওইনা লেপমিন্নবা চঙই। ফুরুপশিংনা অমগা-অমগা ৱাখল্লোন মান্ননা মণিপুরগীদমক লেপ্পবদি লমদমসিগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ঙমগনি। মণিপুরগী য়াইফনবা ৱাখলনা মাঙদা থারগা চৎপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। মণিপুর বেপ্টিষ্ট কনভেন্সনগী প্রসিদেন্ট হোলঙম হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা, কাঙলূপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা মণিপুরগুম্বা লমদম অসিদা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা চঙই। ফুরুপশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা ৱাখল তিন্নবা তাই। ঙাকপী হৈবগী ৱাখল্লোন অসিসু য়াম্না মরুওই হায়খি।

হ্যুমেন রাইটস এলর্টকী বব্লু লৈতোংবমনা হায়খি, পিপলস ট্রুথ কন্মিসনগী মতাং অসি মালেমগী মফম কয়াদা কন্না খন্ন-নৈনরক্লিবা হীরম অমনি। ঙসি য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুরনা শীন্দুনা পিপলস ট্রুথ কন্মিসনগী মতাংদা কন্সল্টেসন পাঙথোকপা অসি য়াম্না মরু ওই। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুম্নমক্না নীংথিনা নৈনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা মোটোর সাইকল রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :

নেক্স দ্রগ ফ্রি জেনরেসন হায়বা হীরমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (টদুকো) না শীনবা মাস মোটোর সাইকল রেল্লি অমা ঙরাং থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী লাংমৈদোং ফাওবা চৎখ্রে।

ইরমদম মণিপুরদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক খুদিংমক মুথৎলসি, লমদম অসিবু ময়াই কাবা পোৎলম অমত্তা লৈতবা ইরমদম অমা ওইহল্লসি হায়বা পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি অতৈ মায়গৈ কয়াদগী পাঙলকপা তেঙবাংগা লোয়ননা শীনবা মোটোর সাইকল রেল্লি অদু থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কন্মিস্নর এন নবকিশ্বরনা ফিরাল হায়দুনা লমথাখি।

লমথাবগা মরী লৈননা দি সী থৌবাল এন নবকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা দ্রগনা অকিবা মওংদা পীরক্লিবা শাফু অসিদা ঙসিগী রেল্লি অসি য়াম্না মরুওই। মসি ঙসিগী অসিনা অহৌবা ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খুদিংমক্তা মখা তানা দ্রগ অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবগী খোঙজং চঙশিল্লসি।

থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী হৌরগা নেসনেল হায়ৱে ১০২ ফাওরগা চৎখিবা মোটোর সাইকল রেল্লি অদু ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোংদা লোয়শিনখি। লাংমৈদোং য়ৌরবা মতুংদা লাংমৈদোং কাংজৈবুং কম্ম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি।

পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱাইখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর সীঐচ শান্তি, লাংমৈদোং জি পিগী প্রধান ৱাই ইবোতোন, খুন্নাই কনবা অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট দব্লিউ মাইপাক অমসুং দব্লিউ সোরোজিনিসু শরুক য়াখি।

প্রেমজয়দা শেলগী তেংবাং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :

মমা লুখ্রাবীনা য়োক্তুনা ৱানা মহৈ মশিন তম্লক্তুনা ঐচ এস এল সী এগজাম ২০১৭ দা ২০শুবা পোজিসন তারকখ্রবা প্রেমজয় নিংথৌজমদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎ অমদি মীওই কয়ানা শেলগী তেংবাং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

পাঙনতাবী জি পি, পাঙনতাবী দিভ্লপমেন্ট কন্মিটি, এস দব্লিয়ু ৱাই সী, এসঈএম দিও, এস দি এস সীনা শীন্দুনা ঙরাং পাঙনতবী ইমা পান্থৈবী লাইবুংদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শেলগী তেংবাং অদু এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা প্রেমজয় অমদি মহাক্কী অপোকপী থারিকতা খুৎশিন্নখি। এম এল এ রঞ্জিৎ অমদি মীওই কয়ানা কৎলকখিবা অপূনবা শেনফম লুপা লাখ ২.৪২ রোম শীন্নখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, লায়রবা ইমুংদা পোক্তুনা ৱানা মহৈ-মশিন তম্লক্তুনা এগজামদা অৱাংবা থাক্তা পাস তৌরক্লিবা মহৈরোয়শিং অসি পূক্লিং থৌগৎপীবা তঙাইফদে। তুংগী পূন্সিদা হেন্না ৱাংনা মায় পাক্লবা অমদি অফবা মী ওইনবগীদমক লমজিং-লমতাকপীবা চঙই। সুগনু এ সীগী মনুংদগী ক্লাস টুয়েল্ব এগজাম অমদি টেন এগজামদা অৱাংবা থাক্তা পাস তৌরকপা মহৈরোয় কয়া য়াওরকপসি চাওথোকচনিংঙাইনি। টুয়েল্ব ক্লাস এগজামদসু এ সী অসিদগী লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা চিংলেম্বা চিংথামনা ১১শুবা পোজিসন তারকখি। ক্লাস টেনগী এগজামদনা প্রেমজয় নিংথৌজমনা ২০শুবা পোজিসন তারকখি। হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না কম্পিটিটিব ওইনা মহৈ-মশিন তম্নবা ফীভম অসিদা লায়রবা ইমুংদগী ৱানা মহৈ তম্লকখিবা অঙাংশিং অসিনা পোজিসনদা য়াওরকপা হায়বসি য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মখোয়না ফংলিবা মার্ক অসি য়াম্না ৱাংই হায়না লৌফম থোকই। অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা ৱানা মহৈ তম্লকখিবা মহৈরোয়শিং অসিনা মীথোই-মীহেল্লকপা অসিদা অসুক্কী মতিক পূক্লিংদা নুংশিবা ফাওই।

অফবা মহৈরোয়শিং অসি নীংথিনা শেম্বীদুনা তুংগী পূন্সিদা মায় পাকপা ওইহন্নবা হোৎনবা চঙই। তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎলিবা প্রেমজয় নিংথৌজমনা ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবা তম্লিঙৈ মনুংদা এম এল এগী থাগী তোলোপ্তগী লুপা ৩০০০/৩০০০ থা খুদিংগী মহৈরোয় অসিগী একাউন্টদা হাপকনি। মহাক্কী মহৈ-মশিন তম্বদা তঙাইফদনা চঙবশিংসু য়েংশিনগনি। মহৈরোয় শেম্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক্না থৌদাং লৌবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রেমজয়দা শীন্নখিবা শেনফমশিং অদুগী মনুংদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা লুপা ৫০,০০০ পুথোকখি। অতৈ শেনফমশিংনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়ানা মতেং পাংলকখিবনি।

থৌরম অদুদা পাঙনতাবী জি পিগী প্রধান ধিরেন, ৱাইখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর শান্তি অমদি ৱাঙু জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এম রোমেননা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ফগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপীবা তঙাইফদে: জয়কুমার

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :

অফবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপগা ইরোয়ননা মশাগী হান্নগী চাংদগী ফগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংসু পূক্লিং থৌগৎপা তঙাইফদে হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ঙরাং ইমান্যুএল হায়র সেকেন্দরি স্কুল কাংপোকপীদা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মেজর এস কিপজেন, এস এম (পাগীন) ফাউন্দেসন মেরিটোরিয়স এৱার্দ ইন হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজাম ২০১৭ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা মহৈ-মশিন তম্বগী খোঙজেল অসি মমাঙঙৈ মতমদা চৎনরম্বা মওংগা য়াম্না খেন্নরে। হৌজিক্কী মতমদদি ট্যুসন অমদি কোচিংনচিংবা য়াম্না চৎনরে। তোঙান-তোঙানবা লেবেলদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা মখোয়না তুংদা এগজাম থারকপদা হেন্না মায় পাক্লবা হোৎনবীবা তঙাইফদে। ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্লবগীদমক য়াম্না মরুওইবা হীরম অহুম লৈ। মসিগী মনুংদা লর্নিং, অন্দরষ্টেন্দিং অমদি এপ্লিকেসন য়াওরি। হীরমশিং অসি ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্লবগীদমক য়াম্না মরুওইবা ষ্টেপ অমনি। মহৈরোয়শিংনা মখোয়না তম্লিবসি করিনো হায়বদু খঙগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা পূক্লিং চঙনা মহৈ তমদুনা অফবা ওইরক্লবা হোৎনবা তাই। অফবা ওইরক্লবা মতমদা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌবা তাই। সোসল এদ্যুকেসন হায়বসি মীওইবগী পূন্সিদা য়াম্না মরু ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ট্রাইবেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এন কায়সিনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা পূন্সিদা মায় পাক্ল বগীদমক পান্দম অমগা লোয়ননা মহৈ তম্বা তঙাইফদে। মায় পাকপা ঙম্ন বগীদমক অখাঙ কন্না হোৎনবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সদর হিলসতগী টোপ্পর ১১ দা এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

অমরোমদা, ঙসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা পারি ইমোম শীন্দম শঙ লাংজিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু শরুক য়াখি।

স্কুল অসিদগী হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসনদা ২১ শুবা পোজিসনদা লাকখ্রবা কোন্থৌজম পিঙ্কি অমদি মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয় কয়াদা এৱার্দ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। তুংদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা টেক্সেসন ওফিসতসু চৎতুনা য়েংশিনখি। কমপ্লেক্স অদু শেম শাবগী থবকশিং য়াংনা শুনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

অফবা মহৈরোয়শিং মনা-মথুম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :

য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব ক্লব ৱাংজিং ৱাঙ্খৈনা শীন্দুনা অহানবা ওইনা ৱাংজিং ৱাঙ্খৈ এরিয়াদগী ক্লাস টেন অমদি ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামদা চাদা ৫০গী মথক্তা ফংদুনা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয়শিংবু মনা-মথুম পীদুনা ইকায় খুম্নবগী থৌরম অমা ঙরাং ৱাংজিং লাইকোন কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, পি ব্রোজেননা হায়খি, ক্লব অমগী মথৌদি লৈকায়দা থবক থৌরমশিং পায়খৎপনি। ঙসি য়ু পি সীনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী থাক অসি মহৈরোয়গী পূন্সিদা অরুবা তাঙ্ককনি। মহৈরোয়শিংনা চৎকদবা লম্বী খঙনা চৎপা মথৌ তাই। লম্বী লান্না চৎলুবদগী পূন্সিগী পান্দম ফংদনা তোকখিবা কয়া লৈবসি মহৈরোয়শিংগী অহল-লমন অমদি ওজাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মহৈরোয়গী মতম হায়বসি অমুক হল্লক্কদবা লৈতে। মহৈরোয় ওইরিঙৈদা পূক্লিং চঙনা তমগদবনি। মহৈরোয় অমনা মায় পাক্লকপদা মহাক্কী অহল-লমন, ওজাশিং অমদি লৈকায়গী মায় পুরক্লবনি। থবক ফংবা খক্কী খল্লগা মহৈ তম্বগী থৌওং থাদোকপা মতম ওইরে। ইশানবু মতিক চারবদি থবক ঙাক্তেনি। মহৈরোয় অমা ওইনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তমগে হায়বগী ৱাখল্লোন চেনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱাংজিং ৱাঙ্খৈ এরিয়াদগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় ২৫, টুয়েল্বকী মহৈরোয় ১৯ দা খুদোলপোৎশিং তমদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। মহৈরোয়শিং অসি চাদা ৫০গী মথক্তা ফংদুনা পাস তৌরক্লবা ঙাক্তেনি। ৱাংজিং হায় স্কুলগী মার্ক য়াম্না ফংদুনা পাস তৌরকখিবা মহৈরোয় অহুমদসু খুদোল তমখি।

য়ু এন এল এফকী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্যান্দোগী ও সী পি অচৌবনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা মোইরাংখোমদা লৈবা মোরে পার্কিংদগী য়ু এন এল এফকী কাদর অমা ফারে হায়রি।

কম্যান্দোনা ফারবা কাদর অদুগী মমীং মোইরাংথেম চেম্পিয়ন (২১) অপোকপা এম কেদানাথ কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বী কৈথেলদা লৈবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, মহাক লুপ অসিগী মশানা মশাবু কম্যান্দরনি হায়জবা লেম্বা এলিয়জ ইয়াম্বা কৌবা অমগী মখাদা থবক তৌবনি। মহাক ম্যানমারদা থা অহুম লেম্বগী মখাদা মিলিটরি বেসিক ত্রেনিং ফঙলে হায়রি। মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।